**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 26-06-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদা ঙসি ইন্টরনেসনেল ডে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুস এন্দ ইলিসিট ত্রাফিক্কিং থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখি।

মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- নহাশিংনা শান্ন-খোৎনবরোমদা মায় ওনশিনবনা ময়াই কাবা নিশাগী পোৎলমশিংদগী লাপথোকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

২) মণিপুরদা পোকপদগী চহি ৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিং লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতগী হৌদুনা পোলিও হিদাক পীথক্কদৌরি।

৩) ভারত শিনবা থুংবদা মিজলস-রুবেলা চহি অসিগী দিসেম্বর ফাওবদা পুংমুৎ মুত্থৎনবা পান্দম থল্লিবা অসিগী য়েংলগা মণিপুরদসু থৌরাং কয়া পায়খৎলি।

৪) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- ড্রগনা লৈবাক অসিগী নহাশিং অমসুং তুংগী পুন্সিদা অচৌবা চৈথেং পীরক্লিবা অসি থেংননবা ঐখোয় পুন্না অমত্তা ওইনা লেপ্পা তঙাইফদে।

অমসুং

৫) ফিফা ৱার্ল্ড কপতা ঙসি নোংয়াহ মতুং পুংখায় চৎপদা ফ্রান্সকা নোরৱেগা অমসুং সিনেগলগা ইরাক্কা শান্নগনি।

------

খেমচান্দ (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- নহাশিংনা শান্ন-খোৎনবরোমদা মায় ওনশিনবনা ময়াই কাবা নিশাগী পোৎলমশিংদগী লাপথোকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

ৱাফম অসি রাজ্যগী সোসিএল ৱেলফিয়ার বিভাগনা শিন্দুনা ইম্ফালগী সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা পাঙথোকপা ইন্টরনেসনেল ডে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুস এন্দ ইলিসিট ত্রাফিক্কিং থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি।

শ্রী খেমচান্দনা হায়- হন্দক্তা ইকুই কুইদ্রিঙৈগী মমাংদা ক্লাক্তা বেজ তৌবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন অমনা ফোংদোকখিবগী মতুংইন্না মফম অদুগী নহাশিং চাদা ৭০ ময়াদা ড্রগ শিজিন্নৈ। মহামা হায়- ড্রগ য়োল্লিবা মীওইশিংনা খুদক্তা শেল লৌদনা নহাশিংদা ড্রগশিং ফংহনবগী খুদোংচাবসু পীরি। ক্লাক্তা লোন্নবা মফম মোইরাং, ক্ৱাক্তা অমসুং থাঙ্গগী মফমশিংদা হৌজিক হৌজিক ড্রগনা মরম ওইদুনা কিনিঙাই ওইরে।

মহাকা হায়- লনাই সংস্থান, মৈরা পায়বী অমসুং ক্লবকী মীওইশিংনা অমত্তা ওইনা পুন্না চৎমিন্নদুনা নহাশিংনা নিশাদা লাইচুরিবা অসিদগী কন্নবা হোৎনমিন্নশি। মীপুম খুদিংমকা ইশা ইশাগা দাইত্বনি খন্না ড্রগ ফ্রি সোসাইতি ওইহন্নবা হোৎনমিন্নশি।

ডে (এল) ঃ ময়াই কাবা নিশাগী পোৎলমশিং শিজিন্নবা অমসুং আইন কায়না লল্লোনবগী মালেমগী নুমিৎ পালনগা মরী লৈননা ঙসি অয়ুক রাজ্য পুলিসনা শিন্দুনা ইম্ফালগী নোংচুপ থংবা কংলাগী হোজংদগী ইরোইশেম্বা ফাওবা কিলোমিটর ১০ গী লমজেল মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা লমথাখি।

থৌরমদুদা গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজম, চীফ সেক্রেতরি ডাঃ পুনিত কুমার গোয়ল, দি.জি.পি. মুকেশ সিংহ অমদি মকোক থোংবা পুলিস ওফিসার কয়া শরুক য়াখি। লমজেল অদু তোঙান তোঙানবা কেটগোরি মরি থোকা লমথাখিবনি।

অমরোমদা, পালন থৌরম অসিগা মরী লৈননা ভারত সরকারগী শিক্ষা অমসুং য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রালয়গী মখাদা এন.এস.এস সেল মণিপুর

য়ুনিভর্সিতিনা শিন্দুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী কোর্ট হোলদা মিসন ওফ ড্রগ ফ্রি কেম্পসকা মরী লৈননা এৱারনেসগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

জিরিবামদসু দিষ্ট্রিক্ট সোসিএল ৱেলফিয়ারনা শিনদুনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মীৎয়েং মখাদা ইন্টরনেসনেল ডে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুস এন্দ ইলিসিট ত্রাফিক্কিংগা মরী লৈননা মিণি মরাথোন অমা ঙসি অয়ুক পাঙথোকখ্রে। মরাথোন অসি জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-অরবিন হংলেমনা লমথাখি।

ককচিং জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিস ককচিং অমসুং খা মণিপুর যোগ এন্দ নেচর কিয়োর এসোসিয়েসন ককচিংনা শিন্দুনা নুমিৎ অসি ককচিং ছুমনাং মচিন মনাউ চীংগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। নসা মুক্ত ভারত অভিয়ান ভিক্সিত ভারতকী পহেচান হায়বা হিরমসিদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা জিলা অসিগী এস.পি. প্রিয়াদরসিনি লাইশ্রমনচিংবা মরুওইবা মীওইশিং শরুক য়াখি।

চান্দেল জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শিন্দুনা নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম পাঙথোকখি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা এন্তি ড্রগ বাইক রেল্লি অমসু চৎখি। রেল্লি অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়ামা সে নো টু ড্রগস, সে য়েস টু লাইভ হায়বা পাউজেল পুদুনা চৎখি। মপুং ওইবা থৌরম চান্দেলগী টাউন হোলদা পাঙথোকখি।

নোনে জিলাদসু ইন্তরনেসনেল ডে এগেনষ্ট ড্রগ এব্যুস এন্দ ইলিসিত ত্রাফিক্কিং, সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিসনা শিন্দুনা লোংসাই খুলদা লিটর সেফর্দ স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগা মরী লৈননা এসে ইবা চাংদমবা অমসু পাঙথোকখি। মকোক মথং তারবশিংদা মনা মথুমসু য়েন্থোকখি।

ফেরজোল জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিন্দুনা নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম দিপ্যুতি কম্মিসনারগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

পেন্তিং (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিসনা পুন্না শিন্দুনা নুমিৎ ১০ নি চুপা চত্থরকপা নসা মুক্ত ভারত সপ্তাহগী শরুক অমা ওইনা ঙসি জিলা অসিগী দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সতা

লাইয়েকপা চাংদমবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। ঙসিগী থৌরম অদুদা মহৈরোই ৮০ রোমা শরুক য়াখি। মকোক মথং তারবা অঙাংশিংদা মনা মথুমশিং য়েন্থোকখি।

ইন্তরভিউ (এল)ঃ    মশা লৈখিদব্রা মতুংদা পদ্মা শ্রী এৱার্দ ফংখ্রবা নট সংকৃটনগী ওজা য়ুমাম যাত্রা সিংহগী মতাংদা মহাক্কী মচানুপা য়ুমাম বিশমভর সিংহগা অকাশবানি ইম্ফালগী ঈ-পাউ কাংবুগী দেক্স ইদিটর নোংমৈকাপ্পম বেদমনিগা উন্নবগী থৌরম অমা হৌজিক নুমিদাং পুং ৭ মিনিত ৫০ দা শঙাই চেন্নেলদা শন্দোক্কনি।

পোলিও (এল)ঃ মণিপুরদা পোকপদগী চহি ৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিং লাক্লিবা নোংমাহৰ্জিং নুমিৎতগী পোলিও হিদাক পীথক্কদৌরি। রাজ্য অসিগী ওইনা পুন্না অঙাং লাখ অনি লিশিং ৮৯,৭৭৪ হিদাক পীথকবা পান্দম থল্লি। নুমিৎ অসিদা হিদাক পীথকহৌদবা অঙাংশিং মথংগী নুমিৎ নিনিদা য়ুমথোঙ য়ুমথোঙ চংদুনা হিদাক পীথক্কনি।

ইম্ফালদা লৈবা দাইরেক্তোরেট ওফ ফেমিলি ৱেলফ্যার সার্ভিসেসকী কনফরেন্স হোলদা নেসনেল ইম্ম্যুনাইজেসন ডে-পলস পোলিও ইম্ম্যুনাইজেসন প্রোগ্রম ২০২৬ কী মতাংদা পাঙথোকপা পাউমী মীফম অমসুং সেন্সিতাইজেসনগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা ফেমিলি ৱেলফ্যারগী দাইরেক্তর ডাঃ এন. বিনো সিংহনা হায়- কুমশি চহিগী ওইনা অখন্নবা থৌরাং ওইনা রিলিফ কেম্পশিংদা পোলিও বুথ হাংদোক্কুনা অঙাং পুমমক কোনশিন্নবা হোৎনগনি।

টু দ্রোপস ওফ লাইফ ফোর এভ্রি চাইল্ড হায়বা হিরমদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিগীদমক পুন্না হিদাক কাপফম লিশিং ২,৮৯৮ হাংদোক্কনি। মসিদা ভেক্সিনেতর লিশিং ১১,৫৯২ অমসুং সুপরভাইজর ৫৮০ শিজিন্নগনি। ডাঃ বিনোনা হায়- ভারত্তা পোলিও লায়না লৈত্রবসু য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদা পোলিওগী কেস লৈবা মরমনা তঙাইফদনা প্রোগ্রাম অসি চত্থবনি। মমা মপা ওইবশিংনা নুমিৎ অসিদা মখোয় মখোয়গী অঙাংশিং পুথোরক্কুনা হিদাক পীথকপীনবা মহাকা আপীল তৌরি।

মিজলস (এল)ঃ ভারত শিনবা থুংবদা মিজলস-রুবেলা চহি অসিগী দিসেম্বর ফাওবদা পুংমুৎ মুখৎনবা পান্দম থল্লিবা অসিগী য়েংলগা মণিপুরদসু থৌরাং কয়া পায়খৎলি।

রাজ্য সরকারগী ষ্টেট নোদেল ওফিসার ইম্ম্যুনাইজেসন ডাঃ কে.এস.ঐচ. মেমচা দেবীনা হায়- থা ৯ দগী চহি ১ মখায় ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদা অহানবা দোজ অমসুং চহি ১ মখায়দগী ২ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদা অনিসুবা দোজ পীথক্কদবনি। মহাকা হায়- কুমশি চহিগী ওইনা রাজ্য অসিদা মিজলস-রুবেলাগী কেস ১০ থেংনরে। খ্বাইদগী য়ামা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা থেংনখি। ডাঃ মেমচানা হায়- চহি কাংলুপ অসিগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংবু চাদা চামা নত্রবসু চাদা ৯৮ ফাওবদি হিদাক কাপথোকবা পান্দম থল্লি। মহাকা হায়- হন্দক্তা বঙ্গলাদেশতা অঙাং ২০০ হেন্না লায়না অসিনা শিখিবা অদু য়েংলগা ভারত্তসু চেকশিন থৌরাং লৌখৎলকপনি।

ডাঃ মেমচানা হায়- চহি ১৪ দগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপীমচাশিংনা মনাক নকপা হোস্পিতাল নত্রগা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালশিং নত্রগা কোল চেন পোইন্ট লৈবা মফমশিংদা চত্তুনা লেমা হ্যুমেন পেপিলোমা ভাইরসকী হিদাক কাপথোকপীয়ু। মহাকা হায়- মণিপুরদা কেম্পেন অসি থা অহুম চুপনা চহি অসিগী মার্চতগী চত্থরকখিবনি। অদুবু মসি চহি অসিগী ওগষ্ট থা ফাওবা শাংদোক্লে। ডাঃ মেমচানা হায়- ভারত্তা খ্বাইদগী নাগনবা কেন্সর লায়নাশিংগী মনুংদা সরভাইকেল কেন্সর অসিসু অমনি। মরম অদুনা নুপীমচাশিংদা লায়না অসি নারক্তনবা হিদাক অসি কাপথোকহৌবা তঙাইফদে।

প্রোগ্রাম (এল)ঃ রুরেল দিভলপমেন্ট মন্ত্রালয়গী মীৎয়েং মখাদা নুমিৎ নিনি চুপা চত্থগদবা কেপাসিতি বিল্ডিং প্রোগ্রাম ওন ইমপ্লিমেন্টেসন ওফ ডব্লিয়ু.দি.সি-পি.এম.কে.এস.ৱাই. টু পোইন্ট জিরো হায়বা থৌরম অমা ঙসিদগী পোরোম্পাৎতা লৈবা এস.আই.আর.দি. ত্রেন্নিং হোলদা ত্রেন্নিং হোলদা হৌখ্রে।

ৱাটর সেদ কম দাটা সেন্টর (ডব্লিয়ু.সি.দি.সি) অমদি দিষ্ট্রিক্ট রুরেল দিবলপমেন্ট এজেন্সি (দি.আর.দি.এ) ইম্ফাল ইষ্টনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা

হৌদোকপগী থৌরমদা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী মীওই ১০০ হেনবনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিপ্যুতিক কম্মিসনার নিভেদিতা লাইরেনলাকপমনা অসুমা হায়- জিলা অসিদা লৈরিবা ৱাটর সেদ মেনেজমেন্ট কমিতি ৬ অসিগা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগা খুৎশমদুনা চৎমিন্নবা তঙাইফদে। মতম অদুতদা ডব্লিয়ু.দি.সি-পি.এম.কে.এস.ৱাই. টু পোইন্ট জিরো অসি মপুং ফানা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমগনি। থৌরম অসিদা ভারতকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পি.এম.কে.এস.ৱাইগী মখাদা লৈরিবা ৱাটরসেদ মেনেজমেন্ট, নেচরেল রিছোর্স মেনেজমেন্ট, স্প্রিং সেদ মেনেজমেন্টকী মতাংদা তোঙান তোঙানবা রিছোর্স পাসনশিংনা ৱা ঙাংখি।

ৱিমেন (এল) ঃ মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেননা শিন্দুনা ককচিং জিলাগী পাঙলতাবী মখা লৈকাইদা লৈবা ইমা পান্থোইবী শঙলেনদা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন টি.ঐচ. তিনিংফম মোন্সাং য়াওনা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন টি.ঐচ. তিনিংফম মোন্সাংনা হায়- মীওৎ মীনৈগী চৈথেং ফংলবা নুপীশিংনা আইন্না পীরিবা খুদোংচাবশিং অদু খঙদবনা আইনগী কান্নবশিং লৌবা ঙমদনা লৈরি। সরকারনা নুপীশিংদা মখোয়না আইনগী মতুংইন্না মীওৎ মীনৈশিং করমা মায়োকগনি হায়বদু খঙনবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি।

চান্দেল (এল)ঃ চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতিনা শিন্দুনা ষ্টোপ দাইরিয়া কেম্পেন ঙসিদগী জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা হৌদোকখ্রে। থাবুম অনি চুপা দাইরিয়া লায়না নাবদগী থিংলশি, অফবা ও.আর.এস থক্কুনা ইশা ফহন্নবা হোৎনরশি হায়বা হিরমদা চত্থগদবা কেম্পেন অদু হৌদোকপগী থৌরমদা জিলা অসিগী এদ্দিসনেল দিপ্যুতি কম্মিসনার অমদি সি.এম.ও শরুক য়াখি।

মনকিবাট ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩৫ শুবা ইপিসোদ লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যূজ, দি.দি. ন্যূজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

সাহ্ ঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- ড্রগনা লৈবাক অসিগী নহাশিং অমসুং তুংগী পুন্সিদা অচৌবা চৈথেং পীরক্লিবা অসি থেংননবা ঐখোয় পুন্না অমত্তা ওইনা লেপ্পা তঙাইফদে। ড্রগনা নেসনেল সেক্যুরিতি, সোসিয়েল ষ্টেবিলিতি অমসুং ইকোনোমিক ইন্তরেষ্টতা চাউনা চৈথেং পীরকপা য়াবগী অকিবা লৈরে। শ্রী সাহনা নিউ দিল্লিদা নার্কো কোওর্দিনেসন সেন্তর (এন.সি.ও.আর.দি)গী ১০ শুবা এপেক্স লেবেল মীতিংদা শরুক য়ারদুনা হায়- ইং ২০০৪ দগী ২০১৪ ফাওবদা ওথোরিতিনা ড্রগ কিলোগ্রাম লাখ ২৬ লোম ফাগৎখি। ইং ২০১৪ দগী ২০২৬ ফাওবদনা ড্রগ কিলোগ্রাম কোতি ১ লাখ ১৮ ফাগৎপা ঙমখি।

মহাকা হায়- নার্কোতিক কন্ত্রোল ব্যুরো এন.সি.বিনা তোঙান তোঙানবা ওনলাইন পোর্তেলশিং হাংদোক্কুনা মীয়ামা ড্রগকা মরী লৈনবা ক্রাইমশিংগী মতাংদা পাউ পীরকবা থৌরাং তৌরে। মীয়ামা মতম চানা ড্রগকা মরী লৈনবা পাউশিং পীবীরক্কুনা সরকারগী মতেং পাংবীনবা শ্রী সাহনা আপীল তৌরি।

প্রধান ঃ শিক্ষা মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধান্না ভুতানগী শিক্ষা মন্ত্রি য়ি জাং দি থপ্পাগা উন্নখ্রে। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী প্রধান্না হায়- উন্নবা অদুদা লুচিংবা অনিনা মরুওহনা ওজাশিংবু ট্রেনিং পীবা, থবক ফংবগী চাং হেনগৎহন্নবা স্কিল ট্রেনিং পীবা, দিজিতেল ইজ্কেসন অমসুং এ.আই,

তুরিজমগী লমদা হেন্না খুমাং চাওশিন্নবা হোৎনবা, মহৌশাদগী লৈজরক্লবা হিদাক লাংথকশিংগী মতাংদা কুপা খন্নখি। মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক অনিনা অমত্তা ওইনা পুন্না থবক তৌমিন্ননবা অচেৎপা থাজবসু থমখি।

-হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফিফা ঃ ফিফা ৱার্ল্ড কপতা ঙসি নোংয়াই মতুং পুংখায় চৎপদা ফ্রান্সকা নোরৱেগা অমসুং সিনেগলগা ইরাক্কা শান্নগনি। হয়েং অয়ুক পুং ৫ মখায়দা কাবো ভরদেগা সাউদি অরাবিয়াগা অমসুং উরুগুৱেগা স্পেনগা শান্নগনি। হয়েং অয়ুক পুং ৮ মখায়দা নিউজিলেন্দগা বেলজিয়মগা অমসুং ইজিপকা ইরানগা শান্নগনি।

ফিফা ৱার্ল্ড কপকী ঙসি অয়ুক শান্নখিবা মেটচশিংদা- টরকিনা য়ু.এস.এবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা পেরাগুৱেগা ওষ্ট্রেলিয়াগা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখ্রে।

ঙসি অয়ুক শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা-নেদরলেন্সনা তুনিসিয়াবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে। অদুগা জপান অমসুং সুইদেন পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা মেটচশিংদনা-আইভোরি কোষ্টনা কুরাসাউবু পাঞ্জল ২-০ দা অদুগা ইক্কেদোরনা জর্মনিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

থাং-তা(এল)ঃ মণিপুর আর্টস থিয়েতর শঙলেন অমদি অপুনবা মণিপুর হুইয়েন লাল্লোং লুপনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা বঙ্গলাদেশকী মীতৈ খুলদা নুমিৎ ১০ নি চুপা চখ্থগদবা থাং-তা তাকপী তম্বীবগী থৌরম ঙসিদগী হৌখ্রে। দামৈ খুল ময়াই লৈকাইদা লৈবা শ্রেশ্রি জগনাথ মন্দবতা পাঙথোকখিবা হৌদোকপগী থৌরম অদুদা দামৈ খুলগী অহল লমনশিং, মহৈরোইশিং অমদি মীয়ামা শরুক য়াখি।

ক্রিকেট(এল)ঃ অহানবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স অন্দর নাইন্তিন টি-ত্বেন্তি ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা থাউ থাংমৈবন্দনা সেদো থাংমৈবন্দবু রন ৪৯ দা থোইখি।

লিগ মেটচ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা এ.কে.এস.দি.ও খাঙবোকনা ফোর্স ক্ষেত্রিগাউবু রন ৮ দা থোইখি।

জিৎ কুনেদো (এল)ঃ অসামগী গুৱাহাতি ৱান লতাসিল ফিল্ড উজান বজার মনাক্তা লৈবা বিষ্ণু-নিরমালা ট্রষ্ট ইন্দোর হোলদা পাঙথোক্কদবা ওল ইন্দিয়া জিৎ কুনেদো চেম্পিয়নসিপ ২০২৬ তা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী জিৎ কুনেদো টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে। থা অসিগী ২৭ তগী ২৮ ফাওবা নুমিৎ নিনি পাঙথোক্কদবা চেম্পিয়নসিপ অসিদা মণিপুরগী জিৎ কুনেদো শান্নরোই ৬৯ অমসুং টিম ওফিসিয়েল ৮ শরুক য়াগনি। মণিপুরগী টিম অদু গুৱাহাতিগীদমক ঙসি ইম্ফাল থাদোকখিবনি।

------